মিলিটরি এয়রপ্লেন অমা কায়বগী থৌদোক্তা মীওই ৪৫ শিরে, ৪৭ অশোক অপন নংখ্রে

কোটাবাতো, জুলাই ০৪ (এজেন্সী) :

ফিলিপিন্স লৈবাক্কী খা থংবা শরুক্তা মিলিটরি পর্সনেল ৯২ পুদুনা পাইখিবা এয়রক্রাফ্ট অমা কায়বগী থৌদোক্তা মীওই ৪৫ শিখিবগা লোয়ননা ৪৭ অশোক অপন নংখ্রে হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

ওফিসলশিংনা মখা তানা ফোঙদোরকখিবদা প্লেন অদুদা তোংখিবা ক্রুপ অয়াম্বা হন্দক্তা আর্মী গ্রেজুয়েট ওইখিবা ঙাক্তনি। সুলু প্রোভিন্সকী জোলো আইলেন্দদা মখোয়না তোংখিবা সি-১৩০ হরকুলিস ট্রান্সপোর্ট প্লেন অদু লেন্দিং তৌনবা হোৎনরিঙৈদা কায়খিবনি। প্লেন অদুনা লৈমায়দা য়ৈশিন্দুনা পোকখায়দ্রিঙৈগী মমাংদা ক্রুপ খরদি মাংজৌননা প্লেন অদুদগী চোংথরকপা উনহৌখি হায়না জোইন্ট টাস্ক ফোর্স সুলুগী কমান্দরসু ওইরিবা মেজর জেনরেল ৱিল্লিয়ম গোঞ্জালসনা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা লৈবাক অসিদা থোকপা মিলিটরি এভেয়েসন এক্সিদেন্টশিংগী মনুংদা ঙসি থোকখিবা অসিনা মী মশীং খ্বাইদগী য়াম্না শিহনবা ওইরি। লাইবকথিবা থৌদোক অসিদা শোকখ্রবা লাম্নীশিং অথুবা মতমদা ফগৎলক্লবগীদমক মীয়াম্না পাউজেল কয়া পীরক্লি।

ঙসিগী লাইবকথিবা থৌদোক অদুদা মীওই ৪৫ শিখ্রে হায়না কনফার্ম তৌখ্রবসু ১৭ অমদি থিবা ফংদনা লৈরি। মখোয়শিং অদু থিবগী থবক অকনবা মওংদা চথরি। ভিদিও ফুটেজ অমগী মতুং ইন্না প্লেন অদুগী মনিংথংবা শরুক্তা অমাং অতা খরা থোকখ্রবা মতুং মৈখু য়াম্না কারকখিবগা লোয়ননা য়ুবি পাম্বী য়াম্না হৌবা মফম অমদা প্লেন অদু কায়খিবনি।

লৈবাক অদুগী আর্মদ ফোর্সকী চীফ জেনরেল কিরিলিতো সোভেজনা ফোঙদোকখিবদা প্লেন অদু কাগায়ান দে ওরোদগী ক্রুপশিং অদু পুরগা মিন্দনাওগী খা থংবা আইলেন্দদা চৎখিবনি। প্লেন অদু লৈমায়দা লেন্দিং তৌনবা হোৎনরিঙৈদা টেক্নিকেলগী ওইবা প্রোব্লেমশিং লাকখি।

পাইলোটশিংনা প্লেন অদুবু তেক্তকায়দনা লেন্দিং তৌনবা হোৎনরবসু মায় পাকখিদবনি। প্লেন অদু মতৌ করম্না কায়খিবনো হায়বগী মতাংদা হৌজিক হৌজিক থিজিনবগী থবক অকনবা মওংদা চথবা হৌখ্রে। অদুমওইনমক মিলিটরি ওফিসল খরনসু প্লেন কায়খিবগী থৌদোক অদু এক্সিদেন্ট ওইরম্বা য়াই হায়না ফোঙদোক্লরক্লি।

ম্যান্মারদা এন্টি জুন্টা ফাইটরশিং অমসুং আর্মীগী মরক্তা উংখৎনবগী থৌদোক্তা মীওই ২৫ শিখ্রে

য়াঙোন, জুলাই ০৪ (এজেন্সী) :

সেন্ট্রেল ম্যান্মারদা ঙসি লৈবাক অদুগী মিলিটরিগী মায়োক্তা এন্টি জুন্টা ফাইটরশিং অমসুং সিভিলিয়নশিংনা চঙশিনখিবা খোঙজংদা অকনবা মওংদা উংখৎনরকপগী থৌদোক অমদা য়ামদ্রবদা এন্তি জুন্টা ফাইটর ২৫ শিখ্রে হায়না খুঞ্জাশিংনা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা লৈবাক অদুদা মী শিবা য়াবা খূৎলাইশিং পায়দুনা মিলিটরিগী মায়োক্তা খোঙজং চঙশিনবগী চাং নোংম নোংমগী হেনগৎলক্লি হায়রি।

ওং সান সু চিগী লৈঙাকপু লৈবাক অদুগী মিলিটরিনা হৌখিবা ফেব্রুৱারী থাদা ইন্থুখ্রবা মতুং মীয়াম অমদি মিলিটরিগী মায়োক্তা উংখৎনবগী থৌদোকশিং থোক্তুনা লাক্লি। হৌজিক ফাওবদা ম্যান্মার মিলিটরিগী কা হেনবা থৌওংশিংনা মরম ওইরগা লৈবাক অদুগী মরাল লৈজদ্রবা মীওই ৮৯০ শিহনখ্রে হায়না লোকেল মোনিটরিং গ্রুপ অমনা ফোঙদোরক্লি। লৈবাক অদুগী মফম খরদদি ষ্টেট এদমিনিষ্ট্রেসন কাউন্সিল মায়োক য়ানবগীদমক সিভিলিয়নশিংনা দিফেন্স ফোর্সশিং শেম্বা হৌখ্রে। মখোয়না মরু ওইনা শা তানবদা শীজিন্নবা রাইফল অমদি য়ুমদা শীজিন্নবা পোৎলমশিংনা শাবা খূৎলাইশিং শীজিন্নরি। সেন্ট্রেল সাগাইং রিজনদা লোকেল দিফেন্স ফোর্স অমসুং মিলিটরিগী মরক্তা য়াম্না তোয়না উংখৎনবগী থৌদোকশিং থোক্লি।

সাগাইং রিজনদা মিলিটরি ত্রকশিং চঙশিল্লকখিবগা লোয়ননা খুঞ্জাশিং তম্না মিলিটরিশিংনা নোংমৈ কাপশিনবা হৌরকখিবনি।

এন্টি জুন্টা ফাইটরশিংনা মিলিটরিগী মায়োক্তা পাউখুম পীনবা হোৎনরবসু খূৎলাই মতিক চাদবগী মরম ওইরগা মফম অদু থাদোক্তুনা চেন্নখি। খুঙ্গং অদুদা থোরকখিবা মীওইশিং তম্না মিলিটরিনা নোংমৈ কাপ্তুনা হাৎনবা হোৎনখি। মীওই খরদা টার্গেট তৌরগা মিলিটরি অদু মফম অদুদা চঙলকখিবা নত্তে। খুঙ্গং অদুবু তুম্না মাঙহন্নবগী পান্দমদা মিলিটরিশিং চঙশিল্লকখিবনি। খুঙ্গং অদুদা মিলিটরিনা আর্টিলরি ২৬ লক হন্না কাপশিন্দুনা এটেক চথরকখি হায়রি।

সাগাইং রিজনদা লৈবা খুঞ্জা অমনা ফোঙদোরকখিবগী মতুং ইন্না খূৎ থোক্লবগী থৌদোক্তা লৈখিদ্রবশিং অদুগী মনুংদা মরাল লৈজদ্রবা খুঞ্জাশিং য়াওরি। মিলিটরিশিংনা মফম অদু থাদোক্তুনা চৎখ্রবা মতুং মীয়াম্না খুঙ্গং অদুদা চঙশিল্লগা য়েংলুবদা মীওই ৮ গী অশিবা হকচাং মফম অদুদা থেংনখি। অদুগা অতোপ্পা মফম অমদনা মীওই ১৭ গী অশিবা হকচাং থেংনখিবনি। মফম অদুদা মী শিবগী মশীং হেনগৎলকপা য়াবগী অকিবা লৈ। পনবা য়াবদি ম্যান্মারগী মনুং হঞ্জিনবা মফমশিংদা লৈরিবা মিলিটরি আউট পোষ্টশিংদা লৈবাক অদুগী খূৎলাই পায়বা ইথনিক গ্রুপশিংনা এটেক চথবগী থৌদোকশিং থোকপা লৈখ্রে।

প্রাইভেট প্লেন কায়বগী থৌদোক্তা মীওই ৬ শিখ্রে: ওফিসল

হাইটি, জুলাই ০৪ (এজেন্সী) :

হাইটিগী কোনুং পোর্ট-ঔ-প্রিন্সকী খা নোংচুপ থংবা মফম অমদা প্রাইভেট প্লেন অমা কায়খিবগী থৌদোক্তা অমেরিকান মিসিনরি অনী য়াওনা মীওই ৬ শিখ্রে হায়না লোকেল ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোরক্লি।

ওথোরিটিশিংনা মখা তানা থৌদোক অসিগা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবদা সিটি এয়রপোর্টতগী প্রাইভেট প্লেন অদু নুমিদাংৱাইরম পুং ৬.৫৭ তারকপা মতমদা ঙরাং পাইখৎখিবনি। জেকমেলদা থুংগদবা প্রাইভেট প্লেন অদু হায়টিগী সাউর্দন কোষ্টতা পুং ১ রোম লৈরগা কায়খিবনি হায়রি।

নেসনল সিভিল এভিয়েসন ওফিসকী রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না প্রাইভেট প্লেন অদুদা অমেরিকান মিসিনরি অনী য়াওনা পুন্না মীওই ৬ তোংখিবনি। প্লেন কায়বগী থৌদোক অদুদা প্রাইভেট প্লেন অদুদা তোংখিবা মীওই ৬ মক শিখ্রে হায়রি।

প্লেন অদু মতৌ করম্না কায়খিবনো হায়বা হৌজিক ফাওবগী ওইনদি চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। টেক্নিকেল প্রোব্লেমনা মরম ওইরগা প্লেন অদু কায়খিবা ওইরম্বা য়াই হায়না ওফিসলশিংনা চিংনরবসু মসিগী মতাংদা চপ চাবা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোরকপা লৈত্রি। এভিয়েসনগী মায়কৈগী থৌদোক অদুগী মতাংদা থিগৎপা হৌখ্রে হায়রি।

অমরোমদা য়ু এসতা বেজ তৌবা হায়টিদা লৈবা মিসিনরি ওর্গনাইজেসন গোসপেলনা লৈখিদ্রবা মিসিনরি অনী অদু রেন্ট হোষ্টেলটর (৩৫) অমসুং জোন মিলর (৪৩) নি হায়রি।

লেন্দস্লাইদ থোকখিবা মফমশিংদা মী কনবগী থবক মখা তানা চথরি, মীওই ২০ লোম থিবা ফংদ্রি

অতামি, জুলাই ০৪ (এজেন্সী) :

হৌখিবা থাংজ নুমিৎকী অয়ুক অঙনবদা সেন্ট্রেল জপানগী অতামিদা থোখিবা লেন্দস্লাইদকী থৌদোক অমদা শিখিবা মশীং ২ শুখিবগা লোয়ননা মখা তানা রেস্ক্যু ৱার্করশিংনা মী কনবগী থবক অকনবা মওংদা চথরি হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা হৌজিক ফাওবগী ওইনা মীওই ২০ লোম থিবা ফংদনা লৈরি হায়না ফোঙদোরক্লি।

থাংজ নুমিত্তা থোকখিবা লেন্দস্লাইদ অমদা লৈখিদ্রবা মীওই অনী অদু নুপী ঙাক্তনি। মখোয় অনীগী অশিবা হকচাং অদু লৈখোম লৈনাং মরক্তা ঙরাং নুমিদাংৱাইরম রেস্ক্যু ৱার্করশিংনা থেংনখিবনি। রেস্ক্যু ৱার্করশিংনা অকনবা মওংদা হোৎনবদগী মীওই ১৯ দি রেস্ক্যু তৌবা ঙমখ্রে হায়না টাউন অদুগী দিজাষ্টর মেনেজমেন্টকী ৱাঙাঙলোয় য়ুটা হরানা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা লেন্দস্লাইদ অদুনা মরম ওইরগা য়ুম ১৩০ রোম মাঙহন তাকহনখিবগা লায়ননা অতোপ্পা বিল্ডিং খরসু লেন্দস্লাইদ অদুনা মরম ওইরগা অমাং অতা থোকহনখ্রে। রেস্ক্যু ৱার্করশিংনা অকনবা মওংদা মী কনবগী থবক চথরিঙৈদা কা হেন্না নোং অমুক হন্না চুশিল্লকপদগী মী কনবগী থবক পুং ৪ রোম হেন্না লেপ্পুরবা মতুং অমুক মখা তানা হৌখ্রে হায়রি।

লোকদাউন থমজিনখ্রবা মতুং ওক্সিজেন মরাং কায়দবগী খুদোংচাদবশিং মায়োক্লবা হৌরে

খুলনা, জুলাই ০৪ (এজেন্সী) :

বংলাদেশতা কোভিদ-১৯ কী অনৌবা ভেরিয়েন্ট দেল্টানা অকনবা মওংদা চৈথেং পীবা হৌখ্রবা মতুং চয়োল অমা লোকদাউন থমজিনবা হৌখিবগা লোয়ননা লৈবাক অদুগী মনুং চনবা খুলনা সিটিদা ওক্সিজেন মরাং কায়না ফংদবগী খুদোংচাদবা মায়োক্লবা হৌরকখিবগা লোয়ননা অহাংবা ওক্সিজেন সিলিন্দর কয়া মফম মফমদা পৈশিন্দুনা থম্বা থেংনরে হায়রি।

বংলাদেশ গভর্ণমেন্টনা লৈবাক পুম্বদা চয়োল অমগী ওইনা অকনবা লোকদাউন থমজিনবা হৌখিবগা লোয়ননা মাইগ্রেন্ট ৱার্কর কয়া চখোক চৎশিন তৌবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লবা হৌখ্রে। কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা খুলনাদা লৈবা হোস্পিটালশিংদা ওক্সিজেনগী অৱাৎপা কয়া লৈরি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা খুলনাদা লৈবা গভর্ণমেন্ট হোস্পিটাল অমগী ৱাঙাঙলোয় অমনা ফোঙদোরকখিবদা হোস্পিটাল অসিদা কোভিদ-১৯ গী পেসেন্ট কয়া লেপ্পা লৈতনা এদমিট তৌরক্লি। ঙরাংসু মশাগী চহী ৪২ রোম শুরবা ব্যুজিনেসমেন অমনা মহাক্কী মনাওনুপাবু কোভিদ-১৯ ট্রিটমেন্ট চথনবগীদমক এদমিট তৌনবা হোৎনখি। অদুমওইনমক হোস্পিটাল অদুদা ফমুং অমদি ওক্সিজেনগী অৱাৎপা লৈবনা মরম ওইরগা হোস্পিটাল কোরিদোরদা পেসেন্ট অদু লৈখি। মহাক ঙসি নুংথিল লৈখিদ্রে হায়রি।

মালেমদা কোভিদনা শোকহল্লবা লৈবাকশিং

#	Country, Other	Total Cases	New Cases	Total Deaths	New Deaths	Total Recovered	Active Cases
	World	184,336,038	+113,090	3,989,211	+2,031	168,690,640	11,656,187
1	USA	34,588,176		621,255		29,087,421	4,879,500
2	India	30,545,433	+948	402,015		29,658,078	485,340
3	Brazil	18,742,025		523,699		17,033,808	1,184,518
4	France	5,783,654		111,152		5,629,513	42,989
5	Russia	5,610,941	+25,142	137,925	+663	5,068,901	404,115
6	Turkey	5,440,368		49,874		5,310,769	79,725
7	UK	4,879,616		128,207		4,332,181	419,228
8	Argentina	4,526,473		95,594		4,136,824	294,055
9	Colombia	4,324,230		108,314		4,021,254	194,662
10	Italy	4,262,511		127,637		4,089,298	45,576
11	Spain	3,833,868		80,911		3,606,789	146,168
12	Germany	3,738,040		91,583		3,628,400	18,057
13	Iran	3,254,818	+13,781	84,792	+165	2,926,266	243,760
14	Poland	2,880,270	+54	75,084	+1	2,652,165	153,021
15	Mexico	2,537,457	+6,228	233,580	+155	2,010,754	293,123
16	Indonesia	2,284,084	+27,233	60,582	+555	1,928,274	295,228
17	Ukraine	2,237,553	+351	52,470	+10	2,171,182	13,901
18	Peru	2,063,112		193,069		N/A	N/A
19	South Africa	2,046,311		61,507		1,792,361	192,443
20	Netherlands	1,687,891		17,756		1,639,261	30,874
21	Czechia	1,667,935	+124	30,310		1,636,178	1,447
22	Chile	1,566,461		32,973		1,509,297	24,191
23	Philippines	1,436,369	+5,966	25,149	+86	1,358,512	52,708
24	Canada	1,416,661		26,348		1,384,057	6,256
25	Iraq	1,365,211		17,281		1,260,297	87,633
26	Sweden	1,090,880		14,592		1,063,631	12,657
27	Belgium	1,086,508		25,185		1,040,178	21,145
28	Romania	1,080,951	+33	33,928	+2	1,045,351	1,672
29	Pakistan	962,313	+1,228	22,408	+29	907,284	32,621
30	Bangladesh	936,256		14,912		829,199	92,145
31	Portugal	887,047		17,112		833,197	36,738
32	Israel	842,749	+101	6,429		833,865	2,455
33	Hungary	808,197		29,992		739,561	38,644
34	Japan	805,376	+1,878	14,842	+18	773,480	17,054
35	Malaysia	778,652	+6,045	5,497	+63	705,486	67,669
36	Jordan	752,617		9,769		736,431	6,417
37	Serbia	716,796		7,055		707,964	1,777
38	Switzerland	703,334		10,894		685,337	7,103
39	Austria	650,737	+75	10,709		638,319	1,709
40	Nepal	644,622	+1,042	9,225	+27	609,218	26,179
41	UAE	639,476	+1,599	1,834	+3	617,767	19,875
42	Lebanon	545,363		7,859		533,150	4,354
43	Morocco	533,945		9,315		519,139	5,491
44	Saudi Arabia	491,612		7,863		471,550	12,199
45	Ecuador	462,142		21,660		423,688	16,794
46	Bolivia	444,090	+1,206	16,920	+41	366,939	60,231
47	Tunisia	438,945		15,261		360,645	63,039
48	Kazakhstan	433,931	+3,003	4,444	+26	400,873	28,614
49	Paraguay	427,542		13,235		378,151	36,156
50	Greece	425,347		12,710		405,847	6,790

বিল্ডিং নিংখাইবগী থৌদোক্তা শিখিবা মশীং ২৪ শুখ্রে

মিয়ামি, জুলাই ০৪ (এজেন্সী) :

ফ্লোরিদাগী মনুং চনবা মিয়ামিগী সমুদ্র খোঙবান নক্লনা লৈবা মথোল ১২ ৱাংবা বিল্ডিং অমা নিংখাইখিবগী থৌদোক্তা হৌজিক ফাওবগী ওইনা শিখিবা মশীং ২৪ শুখ্রে হায়না ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা হৌজিকসু মখা তানা মী থিবগী থবক চথরি হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

মিয়ামি দাদে কাউন্টিগী মেয়র দনিয়েলা লেভিন কভানা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না সমুদ্র খোঙবানদা লৈবা বিল্ডিং নিংখাইখিবগী থৌদোক অসি নুমিৎ ৯ নিগী মমাংদা থোকখিবনি। বিল্ডিং নিংখাইবগী থৌদোক্তা হৌজিক ফাওবগী ওইনা শিখিবা মশীং ২৪ য়ৌরকখিবগা লোয়ননা মীওই ১২৪ হৌজিকসু থিবা ফংদনা লৈরি।

থিবা ফংদনা লৈরিবা মীওইশিং অসিগী মনুংদা অহিংবা মীওইশিং ফংবা ঙম্নবা ওথোরিটিশিংনা অকনবা মওংদা হোৎনরি। অদুমওইনমক হায়রিবা থিবা ফংদনা লৈরিবা মীওইশিং অসি শিরম্না য়াবগী অকিবা লৈ হায়না মেয়র অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি। ওথোরিটিশিংনা অকায় অতোই থোকখ্রবা বিল্ডিং অদুবু শেংদোকপগী থবক অকনবা মওংদা চথরি। মফম অদুদা রেস্ক্যু ৱার্কর ২০০ রোম্না মী থিবগী থবক চথরি।

অমরোমদা গভর্ণর রোন দে সান্তিসনা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না লাক্লিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎ ফাওবগী মনুংদা অকায় অতোই থোকখ্রবা বিল্ডিং অদু শেংদোকপগী থবক লোইশিল্লবা য়ানা লৈ। হৌজিক হৌজিক থিবা ফংদনা লৈরিবা মীওইশিং অসি বিল্ডিংনা ননশিনখ্রবরা নৎত্রগনা অতোপ্পা মফমদা চখোকখিব্রা হায়বদু চপ চানা খঙবা ঙমদবনা মরম ওইরগা চিংনবা কয়া লৈরি হায়রি।

ইজরেলি আর্মীনা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক্তা পেলিষ্টিনিয়ন ১ শিখ্রে

রামালাহ, জুলাই ০৪ (এজেন্সী) :

ৱেষ্ট বেঙ্কদা ইজরেলি সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা চথখিবা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অমদা পেলিষ্টিনিয়ন নুপা অমা শিখ্রে হায়না পেলিষ্টিনিয়ন ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা ইজরেল সেক্যুরিটি ফোর্সশিংগী কা হেনবা থবক থৌওং অদুবু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা ইজরেল আর্মীনা ফোঙদোরকখিবগী মতুং ইন্না পেলিষ্টিনিয়ন অমসুং জ্যু সেটেলরশিংগী মরক্তা থোরকখিবা উংখৎনবগী থৌদোক অমা কন্ট্রোল তৌনবা চঙশিল্লুবা ইজরেলি সেক্যুরিটি ফোর্স তম্না পেলিষ্টিনিয়নশিংনা পোকখায়বা য়াবা মচাকশিং লংশিল্লকপদগী সেক্যুরিটি ফোর্সশিংগী মরক্তা মাইনর ওইবা অশোক অপন খরা থোকখি। মদুগী মতুং মীয়াম অদুবু কন্ট্রোল তৌনবা হোৎনবদা সেক্যুরিটি ফোর্সনা লাইফ রাউন্দশিং কাপখি হায়রি।

পেলিষ্টিনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রি মহমদ ফরিদ হাসননা ফোঙদোকখিবদা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অদুদা মশাগী চহী ২০ লোম শুরবা নহা অমা শিখ্রে অদুগা অতোপ্পা অনী অমনা অশোক অপন নংখি। হাসননা মহাক্কী য়ুমগী মথক থংবা শরুক্তা লেপ্লুনা লৈরিঙৈদা ইজরেলি ফোর্সনা কাপলকখিবা নোংমৈ মরুনা পানবদগী শিখিবনি হায়রি।

অফঘানগী মরু ওইবা দিষ্ট্রিক্ট খরা টালিবাননা ওক্যুপাইদ তৌখ্রে

কাবুল, জুলাই ০৪ (এজেন্সী) :

অফগানিষ্টানগী অৱাং থংবা শরুক্তা টালিবান ফাইটরশিংনা মখা তানা অকনবা লাল্লোং চথরকপদগী গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিং মফমদু থাদোক্লগা চেনখিবগা লোয়ননা টালিবান ফাইটরশিংনা তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্ট খরা মপুং ফানা খুদুম চনবা ঙমখ্রে হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

অফঘানষ্টানগী বদাকসন প্রোভিন্সতা টালিবান ফাইটরশিংনা খুমাং চাওশিনবা ঙম্লকপদগী অফঘান গভর্ণমেন্ট ফোর্স ৩০০ হেন্না মফমদু থাদোক্লগা য়ুমথংনরিবা টাজিকিষ্টানদা চেনশিল্লকখ্রে হায়না টাজিকিষ্টানগী ষ্টেট কম্মিটি ফোর নেসনল সিক্যুরিটিনা ফোঙদোরক্লি। কম্মিটি অসিনা ফোঙদোরকখিবদা অফগান গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিং অদু ঙরাং নুমিদাংৱাইরম পুং ৬.৩০ রোম তারকপদা ঙমখৈগী শরুক লানশিন্দুনা লাকখিবনি।

মীওইবগী মীনুংশি য়েংলগা গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিং অদুবু টাজিকিষ্টাননা চঙজফম পীখিবনি। অফঘানিষ্টানদগী য়ু এস ক্রুপশিং লৌথোকপা হৌখ্রবা মতুং টালিবান ফাইটরশিংনা অফগান গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংগী মথক্তা য়াম্না তোয়না এটেক চথরি। গভর্ণমেন্ট ফোর্সকী মায়কৈদগীসু টালিবাননা ওকুপাইদ তৌদুনা লৈরিবা মফমশিং হন্দোক্লবা অকনবা মওংদা হোৎনরি।

পনবা য়াবদি অফগান গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংদা অচৌবা মতেং পীরমখিবা য়ু এস ক্রুপশিং অমদি নেটো ক্রুপশিং লৈবাক অদু থাদোক্তুনা চৎপা হৌখ্রবা মতুং টালিবাননা মফম মফমশিংদা এটেক চথবগী চাং হান্নদগী খঙহেন হেনগৎলকখিবনি।

উমং মৈ চাকপগী থৌদোক্তা মীওই ৪ শিখ্রে, য়ূম কয়া মাঙহন তাকহনখ্রে

নিকোসিয়া, জুলাই ০৪ (এজেন্সী) :

সাইপ্রসতা খঙহৌদনা অকনবা মওংদা উমং মৈ চাক্লকপগী থৌদোক্তা মীওই ৪ শিখিবগা লোয়ননা য়ূম কয়া অমাং অতা থোকহনখ্রে অমদি খুঞ্জা কয়া মফমদু থাদোক্তুনা শাফগদবা মফমশিংদা চেন্থোক্লবা হৌখ্রে হায়রি।

অমরোমদা মেদিটেরানিয়ন আইলেন্দদা লৈবা সাইপ্রসতা চাক্লিবা লাম্মৈ অদু মুথৎনবগীদমক গ্রিস, ইজরেল অমদি অতোপ্পা লৈবাকশিংনা ফাইয়র ফাইটিং প্লেনশিং দিপ্লোয় তৌবা হৌখ্রে হায়রি।

থৌদোক অসিগা মরী লৈননা লৈবাক অদুগী প্রসিদেন্ট নিকোস অনাষ্টাসিয়াদেসনা ফোঙদোকখিবদা লৈবাক অসিদা মৈহৌ লাংপোক খ্বাইদগী চাওনা থোকখিবা অসি হৌখিবা কুমজা ১৯৭৪ দনি। মদুগী মতুং লৈবাক অসিদা হৌজিক ফাওবদা অসিগুম্বা মৈহৌ লাংপোক্কী থবকশিং থোকখিবা লৈত্রি। অদুবু ঙরাং নুমিৎ য়ুংবা মতুংদগী লৈবাক অদুগী খং থংবা শরুক্তা লৈবা উমং খরা খঙহৌদনা অকনবা মওংদা মৈ চাকখৎলকখিবনি। কা হেন্না শাবনা মরম ওইরগা মৈ অদু চাক্লকখিবা ওইরম্বা য়াই। খঙহৌদনা লাম্মৈ চাক্লকখিবা লাম্মৈ অদুনা মরম ওইরগা মীওই খরগী পুন্সি অরেম্বদা মাঙহনখ্রে অমদি য়ূম অমদি উমং কয়াসু অদুনা অমাং অতা থোকহনখ্রে। গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী লাম্মৈনা অৱা অনা তাহল্লবা ইমুংগী মীওইশিংদা পাংবা য়াবা মতেং পাংনবগীদমক শেম শাবা লোইরে।

উমং মৈ চাক্লকপগী থৌদোক্তা অৱাবা তারবশিং মহাক্কী লৈঙাক্লা কৈদৌনুংদা য়েংশিন্দবা তৌরোই। মখোয়গীদমক মহাক্কী লৈঙাক্লা মতম পুম্বদা লেপকনি হায়রি। ঙরাংদগী চাকপা হৌরকখিবা মৈ অদু ঙসি অয়ুক ফাওবদা ফাইয়র ফাইটরশিংনা মপুং ফানা কন্ট্রোল তৌবা ঙম্লে। অদুমওইনমক কা হেন্না নুংশিৎ শিৎপনা মরম ওইরগা অতোপ্পা উমংশিংদা অমুক হন্না লাম্মৈ অদু শন্দারক্নদ্রা হায়বগী অকিবদি লৈ হায়রি।

অমরোমদা লৈবাক অদুগী ইন্তরিয়র মিনিষ্টর নিকোষ্ট নৌরিসনা ফোঙদোকখিবদা লার্নাকা দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা ওদোস খুঙ্গংদা ফায়র সার্ভিস কাঙবুনা মৈনা চাকখ্রবা অশিবা হকচাং মরি থেংনরকখিবনি। কা হেন্না শাবদগী লাম্মৈ অদু চাক্লকখিবা ওইরম্বা য়াই হায়না থাজনরবসু হীরম অদুগী মতাংদা থিজিনবগী থবক চথবা হৌখ্রে।

লাম্মৈ চাকপগী থৌদোক অদুনা মরম ওইরগা মীওই ৪ শিহনখিবগা লোয়ননা মীওই খরা থিবা ফংদনা লৈরি। মখোয়শিং অদু থিবগী থবক অকনবা মওংদা চথরি। লৈবাক অদুদা কোয়বা লাকখিবা মীওই খরসু থিবা ফংদনা লৈরি হায়না লোকেল ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা মৈ চাক্লকখিবা থৌদোক অদুগা মরী লৈননা পুলিসনা চিংনরিংঙাই ওইবা মশাগী চহী ৬৭ লোম শুরবা মীওই অমা ফাগৎখ্রে হায়রি। অদুমওইনমক মীওই অদুগী মতাংদা অকুপ্পা ৱারোলদি মীয়ামদা খঙহল্লকপা লৈত্রি।